# করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্ট জেলগী ইনমেট ৩৪ কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

গুৱাহাটি, মে ০৯ (এজেন্সী):

সাউথ অসামগী করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টকী জেল ইনমেটশিংগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। দিপ্যুটি কম্মিস্নার অনবামুথননা ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা দিষ্ট্রিক্ট জেলগী ইনমেট খুদিংমক আইসোলেসন তৌবগা লোয়নননা জেল মনুংগী তোঙানবা বিল্ডিং অমদা থমখ্রে।

ইনমেটশিংগী হকচাংগী ফীভম ডোক্তরশিংনা তোয়না মোনিটর তৌরি হায়না দি সীনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না জেল ইনমেটশিংগী মনুংদা ফোরেন নেস্নেল খরসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। ফোরেন নেস্নেলশিং অদু বংলাদেশ, ম্যান্মার, নাইজেরিয়া, ঘানা, এঙ্গোলা অমসুং সাউথ অফ্রিকাদগীনি। কোভিদ-১৯ গী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম থেংনরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মতিক চানা শেম শাদুনা লৈ। হৌজিক হৌজিকমক দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং মরাং কায়না এরেঞ্জ তৌদুনা থল্লি। বাদরপুর ষ্টেটশিংদা রেলৱে কোষ্টশিংসু আইসোলেসন ৱার্দশিং ওইনা শীজিন্নবগীদমক্তা শেম শাদুনা থল্লি হায়না দি সী অসিনা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা হৌজিক লৈরিবা পেন্দমিক্কী শারিবা ফীভম অসি য়েংদুনা হৌখিবা চহীদা বেল নৎত্রগা পেরোডডপীখ্রবা প্রিজিনর খুদিংমক খুদক্তা থাদোক্নুনা লৈবাক অসিগী জেলশিং কোমহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা থাংজ নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রবনি। চীফ জষ্টিস এন ভি রমানা অমসুং জষ্টিসশিং এল নাগেশ্বর রাও অমসুং সুরিয়াকান্তকী বেঞ্চ অমনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী হায় পৱার কম্মিটিশিংনা মমাং চহীদা বেল পীবা য়াহনখ্রবা প্রিজিনর খুদিংমক থাদোক্লবা ওর্দর তৌখিবনি।



খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ সুরজকুমার ওক্রমগী মীৎয়েং মখাদা খাঙবোক কোভিদ ভলন্টিয়রশিংনা এ সী অদুগী মনুং চন্না লৈবা কোভিদ-১৯ না শোকহল্লবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা চান থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখিবা

# ইলেক্সন দ্যুটি চংলুবা মিজোরামগী পুলিস পর্সনেল চাদা ৪০ কোভিদ পোজিটিভ ওইরে



আইজোল, মে ০৯ (এজেন্সী):

অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি মীখলশিংদা মীখলগী দ্যুটিদা মথৌ তৌরুবা মিজোরামগী পুলিস পর্সনেল চাদা ৪০ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা স্পোক্স পার্সন ডোক্তর পচৌ লালমালসৌমানা ফোঙদোরকখিবদা মীখলগী দ্যুটি লোইরগা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং অসামদগী হল্লকখিবা পুলিস পর্সনেল ২৭৫ হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে।

পোজিটিভ ওইরবা পুলিস পর্সনেল ২৭৫ অদুগী মনুংদা পর্সনেল ২৩৬ ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী হল্লকপশিংনি অমসুং অতৈ ৩৯ না অসামদগী হল্লকপশিংনি। মিজোরাম ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস (হেদক্বার্টরস) জোন নৈলায়াগী মতুং ইন্না হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং অসামগী এসেমব্লি মীখলশিংদা য়ামদ্রবদা মিজোরাম অর্মদ পুলিস (এম এ পি) গী অমসুং ইন্দিয়ন রিজার্ব বটালিয়নগী কম্পনি ৮ মীখলগী দ্যুটিগীদমক থাখি।

ষ্টেট অনীগী এসেমব্লি মীখলদা থাখিবা মিজোরামগী পুলিস অমসুং আই আর বিগী পর্সনেল মশীং পুন্না ৭০০ হেল্লি। পুলিস পর্সনেল খুদিংমক হল্লক্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। আই জি পি অসিগী মতুং ইন্না অয়াম্বা লায়ওং চেন্দবনা পুলিস পর্সনেলশিং হৌজিক খুদোংথিনিংঙাই অমত্তা ওইদ্রে। মখোয় খরদি লায়না অসিদগী ফরে।

ইন্টিগ্রেটেদ দিজিজ সর্ভিলেন্স প্রোগ্রাম (আই দি এস) তগী ষ্টেট নোদেল ওফিসর পচৌ লালমালসৌমানা হায়, হৌজিক ফাওবদা চহী অসিদা থা অনী শুবদা ঙাইহিবা পীক্লিবা অঙাং নুপা অমা য়াওনা পুন্না অঙাং ৩৪০ হেন্না কোভিদ পোজিটিভ ওইখি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈবা অঙাংগী মশীং হেনগৎলকপগা লোয়নননা লায়না অসি কম্যুনিটিদা পাক শন্না শন্দোরক্লে হায়বসি উৎলে।

ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভ থেংনরকপা অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এপ্রিল ২০ দা লোকদাউনগুম্লবা অথিংবশিং থমখি। মদুগী মতুংদা ইনফেক্সনগী চেন থুগাইনবা লৌখৎলকপা মখা তাবা খোঙথাং ওইনা আইজোল অমসুং অতৈ দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংদা লোকদাউন থমখ্রে।

কোভিদ-১৯ কেস লেপ্তুনা ৱাংখৎলকপদগী গভর্ণমেন্টনা ইরাই নুমিত্তা মে ১০ গী অয়ুক পুং ৪ দগী মে ৭ কী অয়ুক পুং ৪ হায়বদি নুমিৎ ৭ নি মপুং ফানা লোকদাউন থম্লগনি হায়না লাউথোকখি। চৈরকসিদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ ক্যের সেন্তরশিংদগী পুন্না মীওই ৮৭ নাবা ফদ্নুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

# গভর্ণরনা এক্স সার্ভিসমেনশিংগী ষ্টেট কোওর্দিনেটর হাপখ্রে


ইটানগর, মে ০৯ (এজেন্সী):

অরুনাচল প্রদেশতা কোভিদ-১৯ গী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা ষ্টেট অসিগী এক্স সার্ভিসমেনশিংবুসু থৌদাং লৌহন্নবগীদমক্তা মখোয়বু ওর্গনাইজ তৌনবগীদক ষ্টেট অসিগী গভর্ণর বি দি মিশ্রনা থবক্তগী পোখারবা মেজর জেনরেল জারকেন গেমলিনবু ষ্টেট কোওর্দিনেটর হাপখ্রে।

অরুনাচল প্রদেশকী এক্স সার্ভিসমেনশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী সেনিয়র ওইরিবা মেজর জেনরেল গেমলিনবু লোকেল সিভিল গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং অমসুং মীয়ামগী মীহুৎশিংগা খূৎশম্নরগা ষ্টেট অসিগী এক্স সার্ভিসমেনশিংনা পায়ৎপা য়াবা থবকশিং কোওর্দিনেট তৌনবগীদমক্তা গেমলিনবু গভর্ণরনা ফম অসিগীদমক খনখিবনি হায়না রাজভবনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

গভর্ণরনা মহাকপু ষ্টেট কোওর্দিনেটর হাপ্পদা অরুনাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টকা তান্নখি। চৈরকসিদা গভর্ণর মিশ্রানা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা এক্স সার্ভিসমেন খুদিংমক্তা মশানা য়ানা থোরক্তুনা পেন্দমিক্কী ৱানরবা মতম অসিদা মীয়াম্বু মতেং পাংনবা আপীল তৌখ্রে। কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লাকশিনবগী থবকশিং কুপ্না মোনিটর তৌদুনা লাকখিবগা গভর্ণরনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা এক্স সার্ভিসমেনশিংবুসু থবক অসিদা য়াওহন্নবা অমসুং মখোয়গীদমক্তা রোদ মেদ য়াৎথোক্লবসু পাউতাক পীখি। মসিনা ষ্টেট অসিদা ভাইরস অসি মখা তানা শন্দোরকপা থিংবদা মতেং পাংগনি হায়খি।

## CROSSWORD-3775



**ACROSS**

1 Exultant (10)
7 Venetian canal boat (7)
8 Period before Easter (4)
10 Cruel fairytale giant (4)
11 Animal that preys on others (8)
13 Scotland's patron saint (6)
15 Nearsightedness (6)
17 Daddy-long-legs (8)
18 Notion (4)
21 Sea bird (4)
22 Eighth sign of the zodiac (7)
23 Nonsense (10)

**DOWN**

1 Male singing voice (5)
2 Press (4)
3 Skimpy (6)
4 Vacations (8)
5 Around-the-clock (7)
6 Lack of knowledge (9)
9 Great Bear (4,5)
12 Disclosed (8)
14 Fictional vampire (7)
16 Nearer (6)
19 Profundity (5)
20 Settee (4)

**Solution 3774**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3574**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 4 | | | 3 | | | |
| | | 3 | 6 | | | 5 | 4 | |
| 7 | | | 5 | | | | 2 | |
| | 3 | | 9 | 6 | | | | 2 |
| | 6 | | | | | | 3 | |
| 1 | | | | 8 | 7 | | 9 | |
| | 7 | | | | 9 | | | 6 |
| | 9 | 8 | | | 1 | 2 | | |
| | | | 4 | | | 8 | | |

**Solution-3573**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | 2 | 8 | 5 | 6 | 1 | 7 | 9 |
| 1 | 5 | 6 | 4 | 7 | 9 | 2 | 3 | 8 |
| 7 | 9 | 8 | 3 | 1 | 2 | 4 | 6 | 5 |
| 8 | 4 | 5 | 1 | 9 | 3 | 6 | 2 | 7 |
| 2 | 7 | 1 | 6 | 4 | 5 | 8 | 9 | 3 |
| 3 | 6 | 9 | 2 | 8 | 7 | 5 | 1 | 4 |
| 5 | 8 | 3 | 9 | 2 | 1 | 7 | 4 | 6 |
| 9 | 2 | 4 | 7 | 6 | 8 | 3 | 5 | 1 |
| 6 | 1 | 7 | 5 | 3 | 4 | 9 | 8 | 2 |

# ত্রিপুরাদা বি এস এফকী ক্রুপশিংনা ইন্দো-বংলা বোর্দরদগী নারোন্দা পুরম্বা ষণ অমসুং ইরোই ২৪ ফারে

অগরটালা, মে ০৯ (এজেন্সী):

ইদ কুম্হৈগী মাংওইননা ত্রিপুরা বোর্দরদা বেজ তৌবা বি এস এফকী ৭৪ শুবা বটালিয়নগী কাঙবুশিংনা ইন্দো-বাংলাদেশ বোর্দর পরিংদা ক্রাইমশিং লাকশিন্নবা চথরকখিবা দ্রাইভতা নারোন্দা য়োন্নবা হোৎনরম্বা ষণ অমদি ইরোই ২৪ ফাখ্রে।



হীরম অসিগা মরী লৈননা বি এস এফকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকপদা থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী মে ৮ অমসুং ৯ গী লোন্নবা অহিংদা বি এস এফকী মিৎকুপ নাহুম শিংলবা ক্রুপশিংনা ত্রিপুরাগী সেপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টকী কমলাসগর পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কমথানা বোর্দর আউট পোষ্টতগী শাশিং অদুগা লোয়নননা মোটোর সাইকল তোংবা মীওই অনী ফাখি।

করিগুম্বা বি জে পিনা লৈঙাক্কী পৱার পায়রল্লবদি পুং ২৪ গী মনুংদা নারোন্দা ষণ লল্লোনবগী থবকশিং থিংগনি হায়বসি কুমজা ২০২১ গী ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ইলেক্সন ইশ্যুশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

মীখল পাঙথোক্লিঙৈগী মমাংদা সেন্ত্রেল অর্মদ ফোর্সশিংনা থা খরা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ইন্দো-বংলা বোর্দরদা শা-ষণ লল্লোনবগী মায়োক্তা মীৎকুপ নাহুমশিংনা লৈখি। অসুম্না মফম অদুদা ষণ নারোন্দা লল্লোনবগী চাং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙমখি। মুস্লিম কম্যুনিটিগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্হৈ ওইরিবা ইদ কুম্হৈগী মাংওইননা বংলাদেশতা ইন্দিয়াগী ষণশিংগী দিমান্দ হেনগৎলকখি।

ত্রিপুরাবু শা ষণগী স্মগলিংদা লম্বী অমা ওইনা শীজিন্নরকখিবগা লোয়নননা অৱাং নোংপোক লমদম মরু ওইনা অসাম অমসুং ত্রিপুরাদা বোর্দর লান্না শা ষণ স্মগলিং তৌবগী রেকেট অমা থোরকখি। বি এস এফকী সেকেন্দ-ইন-কম্মান্দ দিপক মন্দলবু স্মগলরশিংনা হাৎখ্রবা মতুংদা বি এস এফনা অসিগুম্বা স্মগলরশিংগী মায়োক্তা হান্নদগী হেন্না কন্না ওপরেসন চথরকপদগী বোর্দর লান্না শা স্মগলর তৌবগা চাং হন্থরকখি। তৌইগুম্বসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ইলেক্সনগী মতম হৌখিবা থা খরা অসিদা বোর্দর লান্না চথবা ক্রাইমগী থৌদোক মশীং ৱাংখৎলকখি। শা ষণ স্মগলিংগী থবক অসিদা মতিকময়াই লৈরবা মীওই কয়া চেন্নে হায়না ওপোজিসন এম এল এ অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ত্রিপুরাগী ইন্দো-বংলা বোর্দর পরিংদা মী হাৎপা, নোংমৈনা পানবদগী শোকপা, সিভিলিয়নশিং অমসুং বি এস এফকী পর্সনেলশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগুম্বা থৌদোক কয়া থোকখ্রবনি।

## EMPLOYMENT NEWS

Dedicated Freight Corridor Corporation of India Limited (DFCCIL) invites online applications from eligible candidates for recruitment of following Junior Manager, Executive and Junior Executives in various disciplines. The last date for registration of online applications is 23rd May 2021.
Advertisement No. 04/2021
Name of Post
Total Vacancies
Junior Managers
111
Executives
442
Junior Executives
521
Discipline wise Vacancies:
Junior Managers: Civil - 31, Operations & BD - 77, Mechanical - 03.
Executives: Civil - 73, Electrical - 42, Signal & Telecommunication - 87, Operations & BD - 237, Mechanical - 03.
Junior Executives: Electrical - 135, Signal & Telecommunication - 147, Operations & BD - 225, Mechanical - 14.
Age Limit: (As on 01/01/2021)
18 to 30 years for Executive and Junior Executive posts.
18 to 27 years for Junior Manager.
Pay Scales:
Junior Managers: ? 50,000 - 1,60,000 (E-2)
Executives: ? 30,000 - 1,20,000 (E-0)
Junior Executives: ? 25,000 - 68,000 (N-5)
Educational Qualifications:
Junior Managers:
(1) For Civil / Mechanical: Bachelor's Degree (B.E.) in Civil Engineering with not less than 60% marks in aggregate.
(2) For Operations & BD: 02 years MBA / PGDBA / PGDBM / PGDM in Marketing / Business Operation / Customer Relation / Finance with not less than 60% marks in aggregate.
Executives:
(1) 03 years Diploma in relevant engineering discipline.
(2) For Operations & BD: Graduation (Bachelor's Degree) with not less than 60% marks.
Junior Executives:
(1) Matriculation / 10th class pass with not less than 60% marks in aggregate.
(2) Minimum 02 years ITI year duration Course Completed Act Apprenticeship/ ITI approved by SCVT/ NCVT in any relevant trade.
Selection Process:
Computer Based Test (CBT)
Document Verification
Interview
Medical Test
Application Fee:
1000/- for Junior Manager, Rs 900/- for Executive and Rs 700/- for Junior Executive posts.
No fee for SC / ST / PwBD / Ex-Servicemen candidates.
The fee can be made through online mode only.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online through DFCCIL official website (dfccil.com) from 24th April 2021. The Candidates should have a valid personal e-mail ID and Mobile number. The last date for registration of online applications is 23/05/2021 up to 23:45 Hours.

FSSAI Recruitment Notice - DR-01/2021: Food Safety and Standards Authority of India(FSSAI) New Delhi invites applications from eligible candidates for filling up the posts of Principal Manager, Joint Director, Senior Manager, Deputy Director and Manager positions on direct recruitment basis. The last date for registration of online applications is 15th May 2021.
Name of Post
Total Vacancies
Principal Manager
01
Joint Director
12
Senior Manager
01
Senior Manager (IT)
01
Deputy Director
17
Manager
06
Age Limit:
Principal Manager: 50 years
Joint Director: 50 years
Senior Manager: 50 years
Senior Manager (IT): 50 years
Deputy Director: 40 years
Manager: 40 years
Pay Scales:
Pay Level 12 ? 78,800 -2,09,200/- E-4 ? 70,000-2,00,000/-
Pay Level 11 ? 67,700 -2,08,700/- E-3 ? 60,000-1,80,000/-
Pay Level 10 ? 56, 100 -1,77,500/- E-1 ? 0,000-1,40,000/-
Educational Qualifications:
Joint Director (Technical): Master Degree in Chemistry or Biochemistry or Food Technology or Food Science & Technology or Food & Nutrition or Edible Oil Technology or Microbiology or Dairy Technology or Agricultural or Horticultural Sciences or Industrial Microbiology or Toxicology or Public Health or Life Science or Biotechnology or Fruit & Vegetable Technology or Food Safety & Quality Assurance (OR) relevant qualification like B.E. / B.Tech / PG Diploma / Doctoral Degree.
Joint Director (Admin & Finance): Bachelor's Degree + 12 years experience in handling administration, finance, human resource development or/ and vigilance matters depending on the post requirement
Senior Manager: Post Graduate Degree or Diploma (Full Time courses) in Journalism or Mass communication or Public Relation. Minimum 10 years experience in relevant area.
Senior Manager (IT): B.Tech or M. Tech in Computer Science or any other relevant Engineering Discipline or MCA or Bachelor's Degree in Relevant field. Minimum 10 years experience.
Deputy Director (Technical): Master Degree in Chemistry or Biochemistry or Food Technology or Food Science & Technology or Food & Nutrition or Edible Oil Technology or Microbiology or Dairy Technology or Agricultural or Horticultural Sciences or Industrial Microbiology or Toxicology or Public Health or Life Science or Biotechnology or Fruit & Vegetable Technology or Food Safety & Quality Assurance (OR) relevant qualification like B.E. / B.Tech / PG Diploma. Minimum 09 years relevant experience.
Deputy Director (Admin & Finance): Bachelor's Degree + 10 years' experience in handling administration, finance, human resource development or/ and vigilance matters depending on the post requirement.
Manager: (1) Post Graduate Degree or Diploma (Full Time courses) in journalism or Mass communication or Public Relation or MBA with specialization in Marketing (OR) ost Graduate Degree or Diploma in Social Work or Psychology or Labour and Social Welfare. (2) Minimum 08 years relevant experience.
Selection Process:
Written Examination
Interview.
Application Fee:
1000/- for General / OBC category candidates.
250/- for SC/ST/Women/Ex-Servicemen/PwBD/EWS category candidates.
The fee can be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online only @ fssai.azurewebsites.net. The last date for registration of online applications is 15/05/2021 upto 6:00 PM.

